
# শান্নরোইশিংনা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কী লেপ্পা লৈতনা মতেং পাঙন্নরক্লি




| | |
|---|---|
| Sachin Tendulkar (former cricketer) | Rs 50 lakh |
| Sourav Ganguly (former cricketer & BCCI president) | Rice worth Rs 50 lakh |
| Virat Kohli (cricketer) | Undisclosed amount |
| Rohit Sharma (cricketer) | Rs 80 lakh |
| Suresh Raina (cricketer) | Rs 52 lakh |
| Anil Kumble (former cricketer) | Undisclosed amount |
| PV Sindhu (badminton player) | Rs 10 lakh |
| Yusuf Pathan & Irfan Pathan (cricket) | 4000 masks |
| Gautam Gambhir (former cricketer) | 1 crore from his MPLADS fund and 2 years' salary |
| Mithali Raj (cricketer) | Rs 10 lakh |
| Sathiyan Gnanasekaran (Table Tennis) | Rs. 1.25 lakh |
| Neeraj Chopra (javelin thrower) | Rs 3 lakh |
| Manu Bhaker (shooter) | Rs 1 lakh |
| Gauri Sheoran (shooter) | Rs. 1 lakh |
| Esha Singh (shooter) | Rs. 30,000 |
| BCCI | Rs 51 crore |
| Ajinkya Rahane (cricketer) | Rs. 10 lakh |
| Hima Das (sprinter) | One month salary |
| Bajrang Punia (Wrestler) | 6 months salary |
| Richa Ghosh (cricketer) | Rs. 1 lakh |
| Hockey India | Rs 1 crore |
| All India Football Federation (AIFF) | Rs 25 lakh |
| Mary Kom (boxer) | Rs. 1 crore from her MPLADS fund |
| Apurvi Chandela (shooter) | Rs. 5 lakh |
| Ankur Mittal (Shooter) | Rs 1.51 lakh |
| Kedar Jadhav (cricketer) | Undisclosed amount |
| Anirban Lahiri (golfer) | Rs 7 lakh |
| Pramod Bhagat (para shuttler) | Rs 2 lakh |
| Sharad Kumar (para high jumper) | Rs 1 lakh |
| Yuvraj Singh (former cricketer) | Rs 50 lakh |
| Pullela Gopichand (National badminton coach) | Rs 26 lakh |
| Pankaj Advani (cueist) | Rs 5 lakh |
| P Kashyap (badminton) | Rs 3 lakh |
| Sunil Gavaskar (former cricketer) | Rs 59 lakh |
| Cheteshwar Pujara (cricketer) | Undisclosed amount |

*লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক লান্থেংন্নবগীদমক পি এম –কেয়রস ফন্দ অমসুং ষ্টেটশিংগী রিলিফ ফন্দশিংদা হৌজিক ফাওবদা শেলগী মতেং পাঙখ্রবা শান্নরোইশিং*

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ইং ২০১৯ দিসেম্বরদগী চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌখিবা কোরোনাভাইরসনা ঙসিদি মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না অকিবা মওং দা লেপ্পা লৈত্তনা শন্দোরক্তুনা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রে। কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্না ঙসিদি লৈবাক অসিদসু য়ৌরক্তুনা মীওই লিশিং ৫ হেনবনা পোজিটিভ অদুগা মীওই ১৫০ হেনবনা পূন্সি মাঙখ্রে।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী স্পোর্টিং ইভেন্টশিং দা লেপ্পা লৈত্তনা চৈথেং পীদুনা ওলেম্পিক গেমস ফাওবা য়েথোত্তুনা অনৌবা মতম লেপখিবগা লোয়ননা মশান্না কয়াগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপশিং য়াওনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। কোরোনাভাইরস অসিবু থেংনবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং কয়া পায়খৎল্লি। অমদি মসিদা লৈবাক অসিগী হান্নগী অমসুং হৌজিক মতিং লৈনা মশান্না কয়াদা মমিং লৈরবা শান্নরোইশিং য়াওনা এসোসিয়েসন কয়ানা মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা গভর্ণমেন্টদা মতেং পাঙন্নবা লেপ্তুি।

ইন্দিয়াগী হোক্কীগী লিজেন্দ ধনরাজ পিলেনা পি এম– কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৫ মতেং পাঙখ্রে। বিলিয়দর্স শান্নরোই পঙ্কস অদভানিনাসু পি এম– কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৫গী মতেং পাঙখ্রে। অদভানিনা ট্টুইটরগী খুৎথাংদা হায়, ঐহাক্না কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকবু লান্থেংনবগী অঙম্বা মতেং পাঙবা ওইনা পি এম– কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৫ মতেং পাঙখ্রে। অমদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক অমদি মসিবু মায়থিবা পীনবা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা হোৎন্দুনা গাইদ লাইনশিং মতুং ইনমিন্নশি হায়খি।

ইন্দিয়ান সট্টলর সাই প্রনিটনসু হৌখিবা য়ূমজাকৈশা নুমিৎতা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকপু লান্থেংনবগীদমক পি এম– কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৩ অদুগা তেলঙ্গনা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দনা লুপা লাক্ষ ১ গী মতেং পাঙখি। টুইটরগী খুৎথাংদা প্রনিটনা হায়, ঐহাক্না পি এম– রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৩ অদুগা তেলঙ্গনা ষ্টেট সি এম রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ১ গী মতেং পাঙজদুনা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লান্থেংনবদা ঐহাক্কী অঙম্বা মতেং খরা অসিনা লুরবা মতম অসিদা খজিক্তং ওইরবসু মতেং পাঙবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা পায়খৎপা খোঙথাংনি হায়খি।

হান্নসু মশান্না অসিগী পরুপালি কাসিয়পনা তেলঙ্গনা সি এম রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৩ মতেং পাঙদুনা পেন্দেমিক অসিবু লান্থেংনরিবা হেলঠ কিয়র ৱাকর অমদি ইর্ম্মজেন্সি সার্ভিস প্রোইভাইদরশিংদা ইকায় খূম্নবা উৎখি।

মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবা গোল্ফকী শান্নরোই অর্জুন ভাটিনা মহাক্কী শান্নবগী কিয়রদা ঙসি ফাওবদা ফঙলকখিবা অপূনবা ১০২ ট্রোফি য়োন্থোত্তুনা ফঙলকপা অপূনবা শেনফম লাক্ষ ৪.৫০ কোরোনাভাইরস লান্থেংনবদা মতেং পাঙখ্রে।

গ্রেটর নোয়দাদগী গোল্ফ শান্নরোই অসিনা মহাক্কী শেনফম অদু পি এম কিয়র ফন্দদা মতেং পাঙখি। মহাক্কী ট্রোফিশিং অদু চহী ৮ মপুং ফানা শান্নরকপদা নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেল কম্পিটিসনশিং দা লৌবা ট্রোফি য়াওনা ৱার্ল্ড গোল্ফ চেম্পিয়ন্সিপগী টাইতল ৩ য়াওরি।

টুইটরগী খুৎথাংদা অর্জুননা হায়, ঐগী অবোক্না ট্রোফিশিং কায়থোক্লগা ফঙলকখিবা শেনফমশিং অদু পি এম –কিয়র ফন্দদা দোনেট তৌখ্রে তাবদা কপ্লগা নঙদি অর্জুন অশেংবনি হায়রকখি। লৈরিবা ফিভম অসিদদি মীওইবগী পূন্সিনা হেন্না মরুওই। ট্রোফি হায়বসিদি মতুংদা কয়ারক হন্না ফঙবা য়াই হায়খি।

মহাক্কী দোনেসন অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা মহাকুন্নবা শান্নরোই অমনা চপ চাবা ইন্দিয়ান সিটিজেন ওইবগী ৱাখলোন উৎথোক্তুনা লান্থেংনবদা শরুক য়ারকপা অসিমক অপেনবা পোকই হায়খি।

হান্নগী ক্রিকেট্টর সুনিল গভাস্কর অমদি ইন্দিয়াগী টেষ্টকী শান্নরোই চেটেশ্বর পুজরানসু মতেং পাঙখিবা লৈরে। সুনিল গভাস্করনা মহাক্কী মায়কৈদগী হিরম অসিগী মতাংদা ৱাহে অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রবসু মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা মুম্বাই স্কিপর অমোল মুজুমদরনা টুইটরগী খুৎথাংদা হায়, সুনিল গভাস্করনা পি এম– কিয়র ফন্দদা লাক্ষ ৩৫ অমদি সি এম ও মহারাষ্ট্রাতা লাক্ষ ২৪ মতেং তৌখ্রে হায়বা তায়। মীসিগীদমক লিজেন্দরী অসিবু ঐহাক্না ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়খি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী টেষ্ট শান্নরোই পুজরানা মহাক্কী থৌদাং লৌদুনা লাইচৎ অসিবু থেংনবদা ফ্রন্দ লাইন ৱারিয়রনি হায়রিবা ডোক্টর, পেরামেদিকেল ষ্টাফ অমদি পুলিসশিংনা কখোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিং ইকায় খূম্নবা উৎলি।

পুজরানা হায়, ঐগী ইমুং মনুং অমদি ঐহক্না পি এম– কিয়র ফন্দ অমসু গুজরাট সি এম রিলিফ ফন্দদা অঙম্বা মতেং পাঙখ্রে অমদি মসিমক মীয়াম্নসু তৌরক্কনি হায়না থাজে। ঐখোয়না অঙম্বা হোৎন্দুনা মতেং পাঙমিন্দুনা লাইচৎ অসি লান্থেংনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিনশি হায়খি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকপু লান্থেংনবগীদমক স্পোর্টস পার্সন অমসুং এসোসিয়েসনশিংনা লেপ্তুনা পি এম কিয়র ফন্দদা নৎত্রগা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টর ফন্দদা লেপ্তুনা তেংবাঙদুনা শান্নবগী লমদা লৈরিবশিংনসু লাইচৎ অসিবু লান্থেংনবা হোৎনবদা চাউনা থৌদাং লৌরি।

ক্রিকেটর সুরেস রাইনানা পি এম– কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৩১ অমদি যু পি চীফ মিনিষ্টর দিজাষ্টর ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২১ মতেং পাঙখ্রবনি। সাচিন টেন্দুলকরনসু পি এম–কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২৫ অমসুং চীফ মিনিষ্টর ওফ মহারাষ্ট্রা রিলিফ ফন্দদনা লুপা লাক্ষ ২৫ মতেং পাঙখ্রে।

লৈবাক অসিগী ক্রিকেটকী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া ( বি সি সি আই)না পি এম–কিয়র ফন্দদা ক্রোর ৫১ গী মতেং পাঙনবা লাওথোকখিবগা লোয়ননা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট সৌরভ গঙ্গুলি, স্পিন্টর হিমা দাস, সট্টলর পি ভি সিন্ধু, রেষ্টলর ব্রজং পুনিয়া, রোহিট, রহানে, ভিরাট কোহলি অমদি যুবরাজ সিংহসু মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা লাইচৎ অসিগীদমক তেংবাঙখিবা লৈরে।

লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা তোঙান তোঙনবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিং গী শান্নরোই ৪৯ গা ভিডিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা উন্দুনা লৈবাক অসিনা লাইচৎ অসিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা এৱার্নেস শন্দোক্নবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে।

হোক্কি ইন্দিয়ানা হান্না পি এম–কিয়র ফন্দদা লুপা ক্রোর ১ মতেং পাঙখ্রবা মতুং ঙসিসু লৈবাক অসিগী হোক্কি গভর্ণিং বোদি অসিনা ওড়িষা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২১ গী মতেং পাঙখ্রে। গভর্ণিং বেবাদি অসিনা থাদোরকপা চেরোলদা হায়, ওড়িষা দা পোজিটিভ ওইবগী কেস লেপ্তুনা মশিং হেনগৎলকপনা হোক্কি ইন্দিয়া এজুকেটিভ বোর্দনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা ষ্টেট অসিদা লুপা লাক্ষ ২১ মতেং পাঙনবগী ৱারেপ অসি লৌবনি। ঐখোয়গী কন্ট্রিব্যুসন খরা অসিনা ঐখোয়বু মতম পূম্নকত্তা ঐখোয়গীদমক লেপ্পিদুনা লাকপা ওড়িষা মীয়ামগীদমক মতেং পাঙবা ঙল্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ)না মখোয়দা এফিলেট তৌরবা ষ্টেটশিং গী য়ুনিটশিংদগী অমদি নেস্নেল স্পোর্টস ফেদরেসন ( এন এস এফ) দগী লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকপু লান্থেংনবগীদমক মতেং পাঙনবা কন্ট্রিব্যুসন তৌরকপ্না লুপা ১,০২,৫৬,০০৩ শুবা ঙম্লে। অমদি মসিগীদমক ঐখোয়দা মতেং পাঙবিরকখিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌখিবা নিংথৌকবা নুমিৎতা শেনফমশিং অসি পি এম–কিয়র ফন্দদা মতেং পাঙলগনি হায়না লাওথোকখি।

ইন্দিয়ান চেছ শান্নরোইশিংনসু ওন লাইনগী খুৎথাংদা টুর্নামেন্ট পাঙথোত্তুনা কোভিদ–১৯ লান্থেংনবগীদমক ফন্দ তানশিন্দুনা মতেং পাঙনবগী পায়খৎলকখিবা খোঙথাং অদু ঙসি লুপা লাক্ষ ৩ হেন্না কন্ট্রিব্যুসন তৌবা ঙম্লে হায়রি।

লৈবাক অসিগী গ্রান্দ মাষ্টর পি হরি কৃষ্ণনা য়াওনা কোচ আর বি রামেস, কাথিকিয়াম মুরালি অমদি নহা ওইরিবা শত্রং শান্নরোই কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ওন লাইন টুর্নামেন্ট অসিদা হরিকৃষ্ণনা চেছ গুরুকুলগী খুৎথাংদা লাক্ষ ২, কাথিকিয়ানা লিশিং ২৫ অমসুং অতোপ্পা শান্নরোই ৮০ হেনবনা লুপা লাক্ষ ১ হেন্না কন্ট্রিব্যুসন তৌরকখি। দি চেছট্টর গ্রুপকী মীৎয়েং মখাদা www.lichess.org না হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙনবা সিটিশিং হায়বদি মুম্বাই, নোয়দা, নাকপুর অমদি হরিয়ানাদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াঁই মদুদি হান্নগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বিশ্বনার্থ অনন্দ য়াওনা পাঙথোকপা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোই ৫ গা পূনশিন্দুনা এপ্রিল ১১ দা ওন লাইন চেছ ইকজিবিসন পাঙথোক্তুনা মদুদগী ফঙলকপা শেনফম অদু পি এম– কিয়র ফন্দদা দোনেট তৌগনি হায়না লাওথোকখ্রবনি।

## লিয়া পোল্টোননা ন্যু সাউঠ ৱেলস নুপী ক্রিকেটকী হেদ কোচ ওইখ্রে

সিদনি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ

হান্নগী ওষ্ট্রেলিয়ান ক্রিকেট্টর লিয়া পোল্টোনবু ক্রিকেট ন্যু সাউঠ ৱেলস ( এন এস দব্লিউ)গী নুপী ক্রিকেটকী হেদ কোচ ওইনা হাপখ্রে।

লিয়া পোল্টোননা ক্রিকেট এন এস দব্লিউগী হেদ কোচ ওইনা ফম পুখিবা অসিনা ক্লব অসিনা মশান্না অসিগী দিভলপমেন্টদা হেন্না খুৎমাঙ চাউশিনবগা লোয়ননা নুপী ক্রিকেট্টরশিংবু অনৌবা ময়োল অমদা পুরকবা ঙল্লগনি হায়না থাজন্নরি।

পোল্টোননা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, ক্রিকেট এন এস দব্লিউ অসি ঐগী ক্রিকেটকী লম্বীদা হৌখিবা চহী ২০ দা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মফম অসিদা অমুক হলকপা ঙম্বা অসি অপেনবা পোকই। এন এস দব্লিউ অসি শাঙনা পূৱারী লৈরবা ক্লব অমনি। অমদি মফম অসিদা ঐনা ফম অসিগীদমক ষ্টাফ, এঠলেট অমদি কম্যুনিটিশিংনা পূন্না চৎমিন্দুনা এচিভমেন্ট কয়া ফঙনবা হোৎনগনি হায়খি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা পোল্টোননা ফম অসি পায়দ্রিঙৈ মমাঙদা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ান ৱুমেন’স হায় প্রফোমেন্সকী কোচ অমসুং ৱুমেন’স বিক ব্লাস লীগতা শরুক য়াবা মেলবোর্ন্ট ষ্টারগী কোচ ওইনসু ফম পুরমখি।

মহাক্না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ান হায় প্রাফোমেন্স ফিমেল প্রোগ্রামদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদগী পোথখ্রবা মতুংদা ক্রিকেট এন এস দব্লিউদা মতম খরা মেনেজর ওইনা ফম পুরমখি। মসিগী মতুং বেক্ররগী এষ্টিটেন্ট কোচ ওইনা লৈরম্লবা মতুং অমুক ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়া সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা ফুল টাইম ওইনা থবক তৌরমখি।

## রৈমস ফুটবোল ক্লবগী দোক্টর পোজিটিভ ওইবদগী মতোমতা শিজখ্রে

রৈমস, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ফ্রান্সকী লীগ ৱানদা শান্নবা ষ্টেন্দি রৈমস ফুটবোল ক্লবকী দোক্টর ওইনা ফম পুরমবা বনার্দ গোঞ্জালেসনা মহাক মশাদা কোরোনাভাইরস লাইনা পোজিটিভ ওইরে হায়না খঙহল্লবা মতুংদা মশা মতোমতা শীজখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমনা হায়রি। মশাগী চহী ৬০ শুরখ্রবা দোক্টর অসিনা লৈখিদবদা ষ্টেন্দি রৈমস ফুটবোল ক্লবনসু অৱাবা ফোঙদোকখি লোয়ননা গোঞ্জালেসনা কোরেন্টাইনদা লৈরিঙৈ মতমদা মহাক্না লৌখিবা খোঙথাং অদুগী মরমদা ইবা চিঠিসু থল্লমখি হায়রি।

ফ্রান্সকী ক্লব অসিনা মখোয়গী ৱেব সাইদতা হায়, মহাক্না লৈখিদবগী পাউ তাবদা ক্লব অসিগী ফেমিলিনা দোক্টরগী অসিগীদমক থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা পোকই। মসি ক্লব খক্তগী নৎতনা মফম অসিগী নুপা অমসুং নুপীশিংগী থম্মোয় শোকহল্লবা মতৌ অমনি হায়খি।

ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট জিন–পৈরি কালিয়োনা হায়, গোঞ্জালেসনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা মহাকপু থম্মোয় শোকহনখি। মহাক্না ক্লব অসিদা চহী ২০ হেন্না থবক তৌদুনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবদা শরুক য়ামিন্নরক্লবা মীওই অমনি।

মহাক অফবা মীওই ওইবতা নৎতনা ফুটবোলগী লমদা অচৌবা প্রোফিসিনেল অমনা ঐখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মহাক মতম পূম্নমক্তা ক্লব অসিনা কাউবা ঙল্লরোইদবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

রৈমসগী মেয়রনা হায়, মহাক্না শীদ্রিঙৈদা ইরমখিবা চিঠী অমদা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না পনলমখি। মেদিকেল সোর্স অমনসু সুসাইদ নোট অমা লৈরম্লে হায়বা ৱাফম কনর্ফাম তৌরকখি অদুবু দোক্টর অদুনা নুমিৎ ২ গী মমাঙদা ফিভম ফনা লৈরম্বা উখি হায়না ফোঙদোকখি।

## আই লীগকী মরাইবক লোকদাউনগী মতুংদা খঙল্লগনি

কোলকটা, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র ফুটবোল লীগ অমা ওইরিবা আই লীগকী হন দক সিজনগী মরাইবক অসি লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্তদগী ঙাথোক্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা থল্লিবা নুমিৎ ২১ গী নেস্নেল লোকদাউন অসি লোয়রবা মতুংদা খঙবা ঙল্লগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ)না য়ূমশাকৈশা নুমিৎতা লাওথোকখ্রে। লীগ অসি হৌখিবা মার্চ ১৪ দগী শান্নবা লেপখ্রবসু মোহন বগাননা রাউন্দ ৪ শান্নবা ৱাংলিঙৈদা লীগকী চেম্পিয়ন ওইবগী লম্বী ফঙখ্রবনি।

এ আই এফ এফনা এজেন্সি অসিদা হায়, ওইরিবা ফিভম অসিদা আই লীগ মখা চথবা হায়বসি অরুবা অমনি। সিজন অসি মপুং ফানা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা থা অমা মখায় চঙগনি। মসিগীদমক ঐখোয়না মরীলৈন্নবশিংগা পূন্দুনা মীফম পাঙথোক্কনি। মীফম অসি এপ্রিল ১৫ দা পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়খি।

লীগ অসিগী লেমহৌরিবা মেটচ ২৮গী মনুংদা মোহন বগান অমদি ইষ্ট বেঙ্গলগী অনীশুবা লেগসু ৱাংলি। মোহন বগাননা চেম্পিয়ন ওইবগী লম্বী ফঙখ্রবসু টিম ৩ হায়বদি– ইষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব এফ সি অমদি রিয়েল কাস্মিরনা মথংশীৎনা পোইন্ট ২৩, ২৩ অমদি ২২ ফঙদুনা রন্নস অপকীদমক লমজেল তান্নরিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইটে বেঙ্গলগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল দেবব্রত শরকারনা হায় ওইরক্লিবা ফিভম অসিদদি পূন্সিনা হেন্না মরুওই। মসিগী মতুংদা ফুটবোল অমদি অতোপ্পা ইন্টরটেমেন্টশিং পাঙথোকপা য়াগনি।

ঐখোয়গী মায়কৈদগীসু আই লীগপু মখা শমথবগী হিরম অসিদা কামেন্ট পীবা হায়বসি অরুবা অমনি। মহাক্না মখা তানা হায়, ফুটবোল পামজবশিংনা নেস্নেল টুর্নামেন্ট অমবু য়েথোকপা হায়বসি কনাঅমত্তনা পামলম্মোই অদুবু মসিদি মালেমগী ওইনা লান্থেংনরিবা অমনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসি কৃপ্না য়েংশিনল্লবা মতুং মখা তাবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়না দেববর্ত্র শরকারনা ফোঙদোকখি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা কোলকটাগী রাইভেল ক্লব মোহন বগান অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলদা মখোয়গী স্পেনিস কোচ অমসুং ফোরেন প্লেয়রশিংনা ময়ূমদা হনবগী ৱাফম লৈবনা ক্লব অনী অসিনা অৱাবা মায়োক্লরি।

ইষ্ট বেঙ্গলদা স্পেনিস শান্নরোই ৫ য়াওরি। অদুগা কোষ্টারিকা শান্নরোই জোনি একোষ্টা অমদি সিনিগেল শান্নরোই কাসিম আইদারা ইন্দিয়াদা চথরিবা লোকদাউন অসিগা মরম ওইদুনা ষ্টক তৌদুনা লৈরি।

মোহন বগানদা স্পেনিস মোরান্তে, ফ্রান্দ গোঞ্জালেস, জোসিবা বৈতিয়া, ত্রিনাদাথ এন্দ তোবেকোগী দেনেল সাইরস, সিনিগেলগী ববা দিয়াৱারা, টজাকিস্টানগী কোমরোন টুরুনোফ অমদি টিম অসিগী কোচ কেবু বিকুনা লোকদাউন অসিনা ষ্টক তৌরি।

আই লীগ ২০১৯–২০ সিজন অসিগী লোয়গদবা মেটচ ২৮ ৱাংলিঙৈ ফাওবদা মোহন বগাননা মেটচ ১৬ তা পোইন্ট ৩৯, ইষ্ট বেঙ্গল অমীদি পঞ্জাব এফ সিনা পোইন্ট ২৩ । ২৩, রিয়েল কাস্মিরনা পোইন্ট ২২, ট্রাউ এফ সিনা পোইন্ট ২২, গোকুলম কেরেলানা পোইন্ট ২২, চেনাইন্ন সিটি এফ সিনা পোইন্ট ২১, চুচিল ব্রদরনা পোইন্ট ২০, নেরোকা এফ সিনা পোইন্ট ১৯, আইজোল এফ সিনা পোইন্ট ১৬ অমসুং ইন্দিয়ান এরোজনা পোইন্ট ৯ ফঙন্নরি।

## কানাদিয়ান গ্রান্দ প্রি ফোর্ম্যুলা ৱান য়েথোকখ্রে



ওট্টৱা, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী জুন ১৪ দা কানাদাগী মোন্ট্রেলদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা কানাদিয়ান গ্রান্দ প্রি ফোর্ম্যুলা ৱান রেস কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা শোকহল্লবা খ্বাইদগী নৌনা য়েথোকপা ফোর্ম্যুলা ৱান রেস ওইখ্রে।

কানাদিয়ান গ্রান্দ প্রি অসিনা ফোর্ম্যুলা ৱানগী সিজন হৌবা ঙমদনা লৈরিবা অসিদা য়েথোকপা ৯ শুবা ফোর্ম্যুলা ৱান রেসসু ওইরি।

কানাদিয়ান গ্রান্দ প্রিগী সি ই ও ফ্রান্সোক দুমোন্টিয়রনা হায়, ওইরক্লিবা ফিভম অসিদদি অমত্তা ওইনা কোভিদ–১৯ বু থেংনবা মথৌ তারি। ফিভম অসিনা ফরক্লবা মতমদা ঐখোয়না মীয়ামবু সাক্যুইদ গীলিস–বিলিন্যুকতা হরাও তয়াম্না মীয়ামগীদমক থোং লাওনা হাঙগনি।

ইভেন্ট অসিবু শীনলি লাঙলিবশিংনা হায়, পাব্লিক হেলঠ ওফিসিয়েলশিংনা পীবা গাইদ লাইন্স অদু ঙাক্না চৎক্কনি। অমদি ৱারেপ অসি মরীলৈন্নবশিংগা অমদি ফোর্ম্যুলা ৱানগা কূপ্না খৎন্নরবা মতুং দা লৌখিবা ৱারেপনি।

ফোর্ম্যুলা ৱানগী চিয়ারমেন চেসকেরেনা হায়, ৱারেপ পূম্নমক মীয়ামগী অমদি ফোর্ম্যুলা ৱানগী ফেমিলিশিংগা য়াইফন্নবগীদমক লৌখিবনি। ঐখোয়না মতম পূম্নক্তা মোন্ট্রে সিটিদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি অদুবু মতম খরাদি ঙাইবা তারি হায়না ফোঙদোকখি।

শিনল্লি লাঙলিবশিংনা ইভেন্ট অসিগী মীৎয়েং তান্নবগীদমক টিকেট ককখ্রবশিংদা অনৌবা মতম লেপ্পকান্দা ইনফোরমেন্স পীগনি হায়রি।

ফোর্ম্যুলা ৱাননা য়েথোকখ্রবা রেসশিং অমুক রি সেদ্যুল তৌনবা বাইহেন্দ, বেভটনাম, চাইনা, অজরভাইজান, দি নেদরলেন্দ, স্পেন, কানাদা, ফ্রান্স, ওষ্ট্রিলিয়া অমদি বৃটেনগা খৎন্নরি।

## CORONAVIRUS: MAJOR SPORTS EVENTS AFFECTED

**Tokyo Olympics**
Postponed to 2021

**CRICKET**
India-South Africa
2nd ODI in Lucknow & 3rd ODI in Kolkata
Cancelled

IPL
Postponed From March 29 to April 15 for now

Australia-New Zealand
2nd ODI in Sydney & 3rd ODI in Hobart
Cancelled

PSL Suspended

**ARCHERY**
World Cup Shanghai
Cancelled

**BADMINTON**
China Masters
Postponed

Asian Team C'ships
China and Hong Kong withdrew

German Open
Cancelled

Asian Championships
Suspended

India Open
Suspended

Swiss Open
Suspended

Malaysia Open
Suspended

Singapore Open
Suspended

Thomas and Uber Cup Finals
Postponed from May to August 2020

**TENNIS**
All AITA tournaments
Cancelled

BNP Paribas Open
Cancelled

Miami Open
Cancelled

Monte Carlo Masters
Cancelled

French Open
Postponed to Sep 20 - Oct 4

Wimbledon
2020 Cancelled

**ATHLETICS**
World Indoor Championships
Nanjing Postponed to March 2021

**FIELD HOCKEY**
India's tour of Japan (Jr Women's Asia Cup)
Postponed

All FIH Pro League matches put on hold till May 17

**BASKETBALL**
NBA
Suspended from March 11

**SHOOTING**
New Delhi World Cup
Cancelled

**BOXING**
World Cup Germany
Cancelled

**FORMULA ONE**
Australian GP
Cancelled

Bahrain GP
Postponed

Vietnamese GP
Postponed

Chinese GP
Postponed

Monaco GP
Cancelled

Azerbaijan GP
Postponed

Canadian GP
Postponed

**FOOTBALL**
Champions League & Europa League
Suspended until further notice

EPL & FA Cup
Postponed till April 30

Euro 2020
Postponed to 2021

Copa America
Postponed to 2021

**UPDATED ON APRIL 8, 2020**

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*